*"মী কাঙবু অমা লৈরি, মখোয়না খঙদনা য়াম্না অহৈ শাজনিংঙি। ঐখোয় মৈতৈগী অহৈ অশিংগী মরক্তনা মদু খরা হেল্লি। মখোয়না মৈতৈলোনগীদমক মিংকুপ পুংজা অহুমদং কাইথোকপা ঙল্লিগদ্রা পূক্লিংদা চিংনবা পোকই"* - **কবি চাউবা (মৈতৈলোন)**

## শৈরেং

### থবক থিরিবশিংগী চহী হেনখিবা

**—বুয়াময়ূম জাকির হুসেন**

ইমা লৈবাক মণিপুর নঙদি য়াম্না ফবা লমদমনি
মতম অমদা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুনা
জ্বেল ওফ ইন্দিয়া হায়না মিংথোল্লম্বা লমদমনি
অদুবু ঙসিদি মমিং খক্তা ঙাইরেদো
হে ইমা মণিপুর।
লমদমসে করপসননা মশেক মঙাল থোক্তনা
লৈরেদো ফজখ্রবা লমদমসে
লৈঙাক্কী থবক অমা তৌজরবদি
ইমুং পুবা খরা খজিক্তা ওইরসু শাফগদ্রা খল্লগা
থবক থিজবা নপারি নমোল্লোই কয়া কয়াদি
লেল্লেদো অঙাওবগুম মণিপুরগী করপসনগী খোঙজেন্দা
থবক হায়দোকপা ঙাইবদা লোইবী থৱায় কয়া কয়া
মাঙখ্রেদো অচাকপা নুংঙাইতবা কয়াগা লোয়ননা
থবক হায়দোকপা ঙাইবদা মতমগী খোঙচৎতি
ফারগা থম্বা য়াদবগুম চৎলিদো খোঙচৎ কায়দনা
কনানসু ফাবা ঙমদনা মতমগী খোঙচৎ
গভর্ণমেন্টকী থবক থিরিবা নপারি নমোল্লোই কয়া
থবক অমা তৌজগে হায়না লৈজবা কয়া
করপসননা চৈথেং পীবনা মরম ওইরগা
গভর্ণমেন্টনা পীরিবা থবক চঙবগী অয়াবা
নপারি নমোল্লোই কয়া চহী হেন্দোকখিগদ্রা হায়না
মকোক্তা মখূৎ হাপ্লগা ৱানা খাঙলিদো
নপারি নমোল্লোই কয়া অৱাবগা লোয়ননা।
হৌজিক্লা অমুক অগ্নিভরগী চহী মরিগী থবক
চহী নৌরিবা নহাশিংদি কান্নবা পীগনি গভর্ণমেন্টনা
চহী মরি মপূং ফারবা মতুংদসু
শোয়দনা পীগনি মখোয়গী খুদোংচাবা
গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে নহাশিংগীদমক্তদি।
অমরোমদনা চহী হেন্দোকখিগদ্রা হায়না
মীপাইরগা লৈজরিবা নপারি নমোল্লোই কয়াদি
অৱাবগী মথক্তা অৱাবা মায়োক্লরি
করপসনগী লালদা
অমুকসু করপসনগী চয়েৎনবা মরম্না
থবক চঙবগী চহী হেন্দোকখিগদ্রা
হায়না মীপাইরি থৱায় ৱানা
নপারি নমোল্লোই কয়া কয়া
থৱায় পোত্থাফম খঙদনা ৱানা লেল্লিদো
লমদমসিগী নপারি নমোল্লোই কয়া কয়া
মণিপুর নত্তবা অতোপ্পা মফমশিংদদি
প্রাইভেটকী ওইবা কম্পেনি মরাং কায়না লৈ
থবক থিবসু য়াম্না লায়না ফংই
মণিপুরদদি কম্পেনি ফার্ম মরাং কায়না
লৈতবনা থবক থিবসু ফংবা ৱাই
হে ইমা মণিপুর লমদমসে করপসননা মরম ওইরগা
থবক হায়দোকপদসু থিন্থহল্লে।
অঙম অথৌ কয়াদি লায়রবশিংগী চাকখাও
কদায়দগী করম্না মৎনবা তৌসিগে হায়না
কোক থাদনরি মকোক চুংশিন্নরগা
হে ইমা মণিপুর করপসননা হারবা লমদমসে
অতোপ্পা মফমদা লৈরমগদ্রা অসুম্না।

### লায়রবী ইমা

**—হাশনসনা এম এম**

পুলিসনা মরোল অমা
কোয়তান হেক তান্নবনে
খুলাংখাং কৌদ্রি
নয়া পৈশা অমফাও য়াচংদৌরফাও।
খঙহৌদনা চুরকই
মংলমদনা চুগনবা সহরগী নোং
ঝম ঝম অকনবা নোংলৈ পুদুনা
অরাম খৌরাংবনা চোকথরবা
খুইরবী মখূৎতুনা
চেজেৎ পায়হৌদ্রমাল্লে
ঙসাইদৈ য়োনবা নংদনা
কোয়থাং থাংদুনা পুলিসতগী কল্লকপা
মনা মশিং খরখক্তো
নোংলৈদুনা হুমদোকখিদুনা
নালাদা শ্বাই হৈদোকখ্রে।
নলাদা তাখ্রবা মনা মশিংদুদা
পামুনা য়েংলদুনা তকশি শোল্লিঙৈ
মফি মরোলদুদি পুমচোৎ চোৎলল্লে
নোংলৈদুনা হুমদোকপীরবা
মফিদুবু তাশিন খোমজিনজ
মতমদুনা থেংজিল্লক
লাষ্ট গাড়ীগী মতমদি য়ৌশিল্লক
অমুক পন্থবা তৌরমদা
নোংলক্তুদা হোবে হোবে
খোঙকাপ লাউনা লাউনা থাংলকই
শোল্লবী লায়ররবী ইমাদো।
খন্না খন্না করি পাউখুম পীরুনি
মাতবু হল্লকপা ঙাইহৌরিবা শোল্লবা
মচা ময়ামনা ইনথোকপীরবা
য়ুরাই চুরবা মপুরোইবগী
মখূৎ তিংথোক্তুনা হংলকপা
ৱাহংদুগী পাউখুম

### অঙাওবী রাধা

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

বাঁশি খোঞ্জেলদা ঙাওজবী!
পঞ্চম শুরদা লৈতাদবী
অঙাওবী রাধানি।
কাং-ঝুলোনদা
মন্দির-থৌগল্লোয়নি
ভক্তশিংগী অচানবী
শখিশিংগী মরক্তা
রাধাদি য়াওরক্ত্রে!
কোকিলনা থিরি রাধাবু
ব্রজ-বৃন্দাবন্দা
যমুনা ঈচেলগী তোর্ব্বান্দা
পঞ্চম-সুরদা।
কাং-ঝুলোননা লাকপদা
রাধাদি য়াওরক্ত্রে
উখিদ্রে শখিশিংগী মরক্তা
অঙাওবী রাধা!

### ওল্ড এজ হোম

**—কাংজম হেমন্ত**

হুন্নক্লি কল্লবা ঈরৈনা, চাওখৎলকপগী
হোংলক্লি খুন্নাইসিগী চৎনবী
ফাওহন্দ্রে মীনুংশিগী ঈরিক,
মাঙশিল্লকপগুম তৌরক্লি
চৎন-লোনচৎ, থকসি-খাসি
লৈনরম্বা মী মশেলগী মরক্তা।
লৈরক্লে মহুম শাদুনা
মমা-মপা, মচিন-মনাও
মীতোপকুম খনবা,
তাররি উররি ঙসিদি
তাহৈদবা য়েংহৈদবা কয়া কয়া।
অশেংবা লননী খন
চাওবা শারেপ ফানবা
মীথোই মীহেন ওইনবা
খূবাক কুরোন হু
নাওয়োক নাওকোনবীরক্লগা,
খুয়া তুশিৎনা নুংঙাইনা
হিংগনি খঞ্জরকপা
ওইরল্লে মীৎলু পিরাং শিন্থনবা
থম্মোয় লায়মন ওইনবা,
ওইরক্লবদা পুন্সি সনধ্যানা
মীরাইবীরবদা কান্নদ্রবা পোৎশক্লুম,
লৈনীংলক্তে, নখোয়গীদমক থম্বীরিবা
ইয়ুম ইশাইগোলসিদা।
কৌরক্লে খুলাম তোয়না
তোল্লবশিংগী লৈফম
ওল্ড এজ হোমনা,
লৈরম্বনা নহাক্লা
হিংজগদৌরিবনি নশাইগোন্দা, নহাক্কী
লৈজগে পুন্সিসে নুংঙাইনা
মীকুপ অমত্তং ওইরবসু।

### চৈবী চৈথেং

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

উ থারিনি, উ থারিনিদি হায়
কেমেরা মমাঙদদি পংফদা মফৈজে
ফেসবুক্কী লৈতেংসু পংওইদা মওই
থাবীরল্লবা মতুং হেক নোংঙানবদগীদি
নোংমতা ফাওবা লাক্তুনা য়েংবীরদে
হংবীরদে করি চারি, করি থক্লি
মদুগী মহয়দি খঙলক্কনিদো নোংমদি
তকশি শোল্লকউকো মতমদুদা অপঙবশা।
চাওখৎপগী মমিংদা নখোয় মীওইবনা
শিংবদি শিংদ, শিংবা শারদুনা
কোকথোক্লি উমং ৱামং লেপ্পা লৈতা
তেমখায়দুনা চীংমায় চীংমায়
শেমগৎলি শাগৎলি লম্বী থোং
নখোয়গী নুংঙাইনবা ঙাক্তা য়েং
শেন্দোং চাউবা পোপী থাননবা
শেন্দোং পীকপা উমংবু য়ান্থৎলি;
কুমগী নোংদি লাক্কনি শোয়দনা
মকুম মথা শুরক্লবা ওইবনা
মরূ ফুক্তৎপীখ্রবা উপালশিংদুগী পিরাংদি
লেম্না কৈদৌনুংদা মাঙদবনি খঙউ
চেন্থরক্কনি লাউনা খোংনা মখাদা
লৈনাং মপৈ মপৈনা তুরেল ওইনা
চীংমায় চীংমায় ওইনফাও ওন্থরক্লবনি
পুবা থাংবা ঙল্লক্ত্রদুনা ঙসিদি।

### মশক উরকপগুম

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

পামজনা নুংশিনা
ঙাইজরকপা মীৎকুপশিংদো
অমগী মথং অমা,
মথং মথং চৎখিদুনা
ঙসিদি পুন্সিগী
পন্থুংফম অদো
মশক উরকপগুম তৌরক্লে।
লাকখিদ্রেদা হায়না
ৱানা ঙাইজরকপশিংদো
অমমমতা মথং মথং
চৎখিদুনা পুন্সি চেংজেল
লোইরমদাই হায়বদো ওইশিল্লকপগুম,
হৌখ্রবা কয়াবু
লারৈ লাথুপ হায়দোক্তুনা
য়েংলুবদা অহল মতম
ওইরদুনা মিৎলু অনীদা
পিগী ঈরা শিন্থরে
ইনাক্তা লৈরিবা মহাকপু
কনানো হায়না হংলুরে,
নুংশিদা হে পুন্সি
নঙগী খোঙচৎসে
পাম্মু পাম্মু বীদায়
হায়না হায়নবা তারে।

### খুন্নাই কন্সি

**—ইরোম মোবি**

শেল পীয়ু হায়রুদনা
শেল পীগে লৌ হায়,
চাক চাগেসু হায়রুদে
চাকসু চাও মহায়,
নোংমতসু মখোয়দা হায়রুদে।
মীয়াম্বু অরানবা লম্বীদা চিংশিল্লিবরা
নৎত্রগা শেঞ্জা থুমজা তন্থীরিবরা
অমদি ওইগনি।
কনানসু য়াবিরুনু
শেলসু লৌবীরুনু
চাকসু চাবীরুনু।
শেল লৌদনা
চাকসু চাদনা
থাদদৌবা লৈরবনি ভোটতি
মীয়াম্বু অফবা অচুম্বদা লমজিংদুনা
খুন্নাই মুৎতনবা হোৎনবা চুমগনি
মীয়াম্নসু থোইনা হেন্না পামগনি।

---

**মতম মতমগী ৱাখল**

# লমদমসিগী নাৎতা হোংলক্লিবা মশকশিং-(২)




ঐখোয় চাউখৎপা কুইদ্রি। চহী তরা তরা খূদিংগী লম্বী থোংগী ফিভম হোংলকই। চীং,পাৎ তুরেল মশক ফজনা হোংঙি। ঙসিদগী চহী য়াঙ্খে হায়বসি কুইদ্রি। চহী য়াঙ্খে ঙরাংতা ওইরবোই নীংঙি । অহল লমনশিংনা ৱারী শানবদা লান মমাং অমসুং লান মতুং হেক হেক হায়নৈ । লান হায়রিবসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও অদুবুনি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও হায়বসি ঐখোয় কয়া খঙনদে ঐখোয়না হেন্না খঙনবদি জপান লান হায়রগনি। জপান লান ঐখোয় থেংনহৌখিদে, খঙদে। যুক্রেনগা রুসিয়াগা হৌজিক লান কন্না থেংনরিবসি ঐখোয়না ঈ পাউদগী তারি। ঐখোয়না খঙবা লানসি হৌজিক্কী ওইনা মসিনি। সিনেমাদা ৱার পিকচর খরদি য়েংখ্রে। লান হায়বসিদা নুংঙাইবা শেমগৎ শাগৎপা য়াওদে। থুগায়বা, নোংমৈ কাপ্পবা মীশি মীনা, হাৎনবা ঙাক্তনি। ঐখোয় লান পামদে । ৱানা শেমগৎ শাগৎলকপা যূম-কৈ, লম্বী থোং লান্না অমাঙ-অতা থোকহল্লি । ইমুং মনুং, মচা মশু কায়নহল্লি। মীকপ খোঞ্জেলনা লান লোইরবা ফাওবা কায়নখিবশিং নীংশিং নীংশিং কপ্লহল্লি । কুমশীং চহী ১৯৪০ গী মমাংদা পোকখিবা লমদমসিগী অহল লমনশিংদি লান মায়োক্লখি। মসি ৱারীদগী খঙবনি। মণিপুরদা লান য়াম্না থোকখ্রে । ঙসি ফাওবা ৱারীনরিবা অচৌবা লান খরদি-অৱা লান, সাহেবশিংগা শোক্লবা নীংতম্বগী লান, খোংজোম লান অমদি জপান লান অসিনি।

ইঞ্জিন পানবা গাড়ি মণিপুরদা লৈনরমদে। ষণগাড়ি, ঈরোই কাংকোৎ য়ূমথোং খূদিংগী লৈনরম্মী । ষণগাড়িদা লুহোংবা থিনবগী ৱারীসু অবোক্লা লীরম্বদগী তাহৌখি। ঙসিগী মীরোলদি তাবদা নোক্লিংলগনি। ষণগাড়ি মণিপুরগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা অমা ওইরকখি। ষণগাড়ি থম্বা ঙমদবা ইমুং ফাওবা লৈরম্মী । ঐখোয় অদুক্কী মতীক অনংবা, লাইরবা ওইরকখি। কোনুং খনবা,শম্নবা খরনা চাবা থকপা ৱাৎতবনি মীচমশিংদি অসুক্কী মতীক ৱানখি হায়নৈ । শাংলবা লম্বী কয়া ষণগাড়িনা চৎনরকই। ঐখোয়দি লাইরদনা ঙল্লিঙৈ, মণিপুরদা সাহেবশিংনা পাল্লিঙৈগী মতমদা ষণগাড়ি থেংনখি। সাহেব ফাওবা মণিপুরগী ষণগাড়ি তোংখি। মখোয়গী পোৎ পুখি। লন্দনদা থেংনখিবা সাহেব অমনা মণিপুরগী ষণগাড়ি (বুল্লোক কার্ট) লৈরিব্রা হংলকখিবা ঐহাক নীংশিংলকই। মখোয়না মণিপুরগী মরমদা লাইরিক ইরকপদা ষণগাড়ি পল্লি । মখোয় মণিপুরগী ষণগাড়ি কাওদ্রি । ষণগাড়িনা অনাবা পুবা, চানবা হোনবা, ফৌ চেং,হোনবা হীরম খূদিংমক্তা শীজিন্নখি। সাহেবখক্তনা মণিপুর ষণগাড়ি নীংশিংবা নত্তে। জপান লান্দা সাহেবকী এন্টি এয়ার ক্রাফটনা কাপথখিবদগী শোক্লবা জপানিজ ৱার পাইলোট অমা লমদমসিগী মৈতৈ ইমুং অমগী মতৈ মনাওনা লোন্না ষণগাড়িদা হাপ্লগা জপানিজ বেজ কেম্পতা থিনবীদুনা মতেং পাংখি । লাল লোইরবা মতুংদা জপানিজ পাইলোট অদুনা মণিপুরদা লাক্লগা ষণগাড়িদা হাপ্লগা পুরকখিবা মৈতৈ মতৈ মনাউ অদু থিবা লাকপদা উন্নখিদে । জপনিজ নহা অদুনা ঙসিফাওবা মৈতৈগী ষণ গাড়ি নীংশিংলি। অসুক মরু ওইবা ষণগাড়ি অসি লাই হাক্তকতগী শীজিন্নরকপগী ৱাফমদি থেংনদ্রি। ষণগাড়ি মপানগী মীনা লমদমসিদা পুশিল্লকখিবগী ৱারী, শীজিন্নবা হৌখিবগী ৱারী লৈজে। মসিনা ৱাফম অমা ওইখ্রগা লমদমসিগী খুঙ্গংগী পূন্সিদা ঐখোয়গী শুজা নোমজরিবা ইপা ইপল লৌমীশিংগীদি য়াম্না চানখিবা মরুওইখিবা গাড়ি মখল অমনি।

ঐখোয়গী লম্বী থোংসি অদুক্কী মতীক ফৎনরকখিদে। গাড়ি থৌজিনবা য়াবা লম্বী অচৌবা লৈনরমদবগী ৱারী ঙাক্তনি। লম্বী-থোং ফৎনরক্তবনা খুল অমগা অমগা, লৈকাই অমগা লৈকাই অমগা পাউ ফাওনদবা, নারক য়েকলকপদা খুদোং চাদবসি ঙল্লিঙৈগী মতমদা য়াম্না মায়োক্লনখি। খল্লুবদা তুজুংবা পোকই। লৈপাক থোনগৎলগা মথক্তা লম্বী ওইনা চৎনরকই। লৈপাক থোনগৎপা অশাংবা মফমবু পল্লি হায়নৈ । পল্লিসি চৎনবা মফম অমা ওইনা শীজিন্নরকই। খুন অমা, লৈকাই অমদা উরিবসি ষণগাড়ি চৎখিবগী অকুৎপা চকা লম্বীনি। তুরেলগী মথক্তা হৌজিক উরিবা থোং অসি লৈরমদে। মীয়াম্না শাজবা খুল্লক উরোক থোং হায়দুনা ৱানা য়ুংলগা শাবা ৱাশাং থোং অমনা খুন মীয়ামগী লান্থোক লানশিনগী চৎনবা ওইরকখি। তুরেল লানবদা পোঙ তোংলগা নৎত্রগা হি তোংলগা লান্নরকই। চৎথোক চৎশিন্দা শীজিন্নরিবা চৎনরিবা মওংসি কংফালগী লম্বী হায়দুনা খোঙনা খোঙগী লম্বীদা শাংনা চৎনরম্বা অমা, ষণগারি তোংলগা চৎনরম্বা অমা, শগোল তোংলগা চৎনরম্বা অমা , কনাগুম্বা অঙম-অথৌ খরনা দোলাই তোংলগা চৎনবা অমা অমদি ঈশিং লম্বী হায়দুনা পোঙ শারগা অমদি হি তোংলগা চৎনরম্বা মখলশিং অসি ঙল্লিঙৈদা চৎনরম্বা মওংনি।

ঈশিংগী লম্বী অসিসু য়াম্না মরুওইনা চৎনরকখি। ঙল্লিঙৈদা মণিপুরগী ঙখৈ মনুংদা চেল্লিবা তুরেলশিং অসি ঈশিং লম্বী ওইনসু শীজিন্নরকখিবা ঙাক্তনি। পাৎ তুরেল মরাঙ কায়না লৈরম্বনা ঈশিংগী লম্বীদা চৎনরকখি। কুইদ্রি হায়বা য়াহ, নম্বুল তুরেলদা হিথক্তা পোৎ চৈ হাপ্লগা কৈথেলদা পুখৎলকপা মিংতা উরি। ঈশিংগী লম্বীদা পোৎচৈশিং পুথোক পুশিন, চৎথোক চৎশিন তৌবদি মণিপুরগী মনুংদা মখা মাইকৈ অসি খ্বাইদগী হেন্না হি শীজিন্নরকপা মফম্নি। হৌজিকসু মণিপুরগী মখা মাইকৈ মোইরাং,থাঙ্গা লোক্তাক মপান্দা লৈবশিং, তুরেল অচৌবা নকপা মফমদা খূন্দারিবা লমদমসিগী মীওইশিং হি শীজিন্নরি।

শা লানগী ৱা ঙাক্তা নৎতবদা, কংফালগী লমদা চৎথোক চৎশিন্দা ঐখোয়গা থাদোক্লবা য়াদবসি মৈতৈ শগোলসি অমনি । মৈতৈ শগোলনা মণিপুরী খুন্নাইদা লৌরক্লিবা থৌদাং অসি শীংথাবগী লোইবা নাইরোই। মৈতৈ শাগোলবু কাংজৈ শান্নবগী খক্তা ওইনা শীংথাবনা অৱাৎপা ওইগনি। শগোল তোংলগা শগোল পাউ থাবা, চীং লম্বীদা চৎপা, মী পুরকপা, খুশু খুৎলাই লৌরুবা, লৈপাক্কী অরুবা থৌদাংদা শরুক য়ারকপগী ৱারীদি কনাসু মনুং হঞ্জিন্না পুথোক্তুনা নৈনবীদ্রি । শগোল কাংজৈ শান্নবদি মতম লৈ, মফম লৈ অখন্নবা শগোল খরনা শান্নজবনি। অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংগী মমাংদা কুম্ভে অমা ওইনা মীয়ামদা উৎনবা শান্নবনি। ঙসিফাওবসু মওং অসিদা অসুম চৎনরি । নোং ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদা মৈতৈ শগোলনা খুন্নাইসিদা লৌরক্লিবা থৌদাং অসিদি য়ূমগী মী অমগা চপ মান্ননা শরুক য়ামিন্নরকই। ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা মৈতৈ শগোলবু য়ুমগী মীহুৎ অমা ওইনসু লৌনরকই। লমহাংদা থাদোক্লবসু অয়ুক্কী নুমিদাংগী য়েংবা চৎলি । নাও পুরীবী অমোম অমনা মচা পোকলকপা মতমদা লমহাংদা লৈরিবদু য়েংশিন্দবা য়াদে। মতম অমদি লমহুই কৈশাল, লংজা ক্লাক মরাঙ কায়রম্বনা মশা শোনবা ষণ, শগোল লমহাংদা খুদোং থিবা য়াম্না নংদুনা শিখি। লম্ফেলদা লংজা ময়াম্না য়োমশিন্দুনা ষন,শগোল চাবা ঐখোয়না উরকখি। অশিবা ষন ময়াম তাদুনা লৈবা থেংনরকখি। মসি,ঙরাং নহানগী ৱানি । ঙল্লিঙৈগী মতমদনা অমুক হেল্লমগনি। ৱাফমসি মণিপুরগী অতৈ অরাপ্পা মফমশিং পাৎ লমহাংশিংদসু মশীং খঙদনা লৈরমগনি। থাদোক্তুনা থম্বা শগোলশিংগী মরক্তগী হোইগৎলগা শীজিন্ননবা ফাগৎপা । মশা ওন্থোকপা, লাকপা,মশম ককপীবা, নারকপা য়াওবদা লায়েংবীবা য়ামখ্রে। য়ুমগী অঙাং অমা মহৈ তম্নবা শেম্বীবগা চপ মান্নখি । শগোল লোইবা হায়বসি অঙাং অমা য়োকপদগীসু হেল্লি হায়নৈ । মীপূম খূদিংমক্লা শগোল লোইবা ঙম্নদবসি মরম কয়ামুক লৈ । অঙম্বা খরতনা শগোল লোইনবনি। শগোলগী মতাংদা নৈনবগী লোইবা নাইররোই। শগোল তোংবনা শগোলগী মরমদা খঙবা ৱাৎকনি শগোল লোইবনা শগোলগী মরমদা হেন্না খঙগনি। শগোল তোংবা হায়বা অমগা শগোল লোইবা হায়বা অমগা অনীসি খেন্নৈ। শগোলনা লৌরকখিবা থৌদাংগী মতাংদা য়াম্না থাপ্পা নৈনরুদ্রগসু মণিপুরগী নিংথৌ চন্দ্রকির্ত্তিনা পানখিবা মতমদা থোকখিবা অচৌবা থৌদোকশিংগী মনুংদগী অমখক "চন্দ্রকির্ত্তি জিল্লা চৎপা" লৌখৎতুনা খঙমিন্নবা য়াই। খোঙচৎ অসিদা মাইবম তাম্রাসিংনা মথন্তা চীংশাংদা চেল্লকপা লোইরগা তম্পাক য়ৌরকপদা মৈতৈ শগোল তোংলগা কংলা য়ৌনা লাকখিবা সাহেবকা ইনগদবা য়ানচে লৌরগা অমুক তন্না হনখিবগী ৱারীসে ঐখোয়না নীংশিংনদ্রে । ইতিহাসকী ওইনসু কাওথোকপা য়াদ্রবা অচৌবা থৌদোক অমনি।

চৎনরকপা নাৎ অমা ওইনা শীজিন্নরকপা লৈরক, লম্বী লমলোং ফাংবা মফম,লম্বী থোং,হৌরম্বা উজাও উপাল, হৈনৌ পাম্বী,খোংনাং পাম্বী, বোরোই পাম্বী, মঙ্গে পাম্বী ঙসি মখোয় অমত্তা পন্নখিদ্রে, শোন্নখিদ্রে । মখোয়না লমদমসিগী নাৎতা করি থৌদাং য়ারকই, করী মফম কল্লম্মী হায়বসি হঙ্গৎনা য়েংমিন্নবা য়াই। খুল অমদা লৈকাই অমদা হৈনৌ পাম্বী,খোংনাং পাম্বী, বোরোই পাম্বী, মঙ্গে পাম্বী অমমমগী কাওঙমদ্রবা ৱারী লৈনখি। বোরোই মখোংদা চোংখিবা থাবল, মঙ্গে মখোংদা শান্নখিবা শুম্মাং লীলা, হৈনৌ পাম্বী মখোংদা অহল লমন ময়াম্না পোত্থাফম ওইখিবা মফম, লমলোং অহুম ফাংবদা ফমখিবা পোৎফম ফম্বী অবোক্কী শীংজু, হৈক্রুমখোংদা উন্নখিবগী ৱারী অসিনচিংবা কয়াগী কাউঙমদ্রবা ৱারীসু খুন খুনগী অদুম লৈনরি । মতম অমা খোংনাং মখোংদা পোৎফম ফমদুনা শিংজু পাক্লম য়োল্লবা অবোকশিং ঙসি উদ্রে । মখোয়না পীজ খিবা পাকনমগী মনম খুৎশাদা পকহৌরি, মহাউ নীংশিংলুবদা কাওবা ঙমদ্রি । লুকমাই পানবী মঙ্গল চনা য়োল্লম্বা ইনে থরো, ইনে থম্বাল, ইনে অহল ফনা য়াম্না লৈকাই লৈকাইদা লৈখিদ্রে । হৌজিক উরিবসিদি মপান লমদা তৌনবগুম নুমিদাং ৱাইরমদা ইলেকত্রিক মৈ ঙান্না থাল্লগা লম্বীগী নাক য়েৎতা ষ্টিলগী মখল মথেলগী অচাপোৎ কন্টেনরশিংদা হাপ্লগা উহল্লিবা অঙৌবা অতাউবা য়োনবা ময়াম অসিনা মহুৎ শিল্লরি। (মথং মথং মখা চৎথজরকখিগনি।) ●

**—মাখোনমনি মোংসাবা**

---

**ৱারী ককনাউ**

# ঐগী মী

তাঙৌ নহা ওইরিঙৈদগী খরা শাথীনা হৌরকপা মীনি। মী য়াম তোয়না খৎনগল্লি। মানা মী খৎনবসি মানা ঙমদৌ ঙমদৌবা খল্লগা খৎনৈ। মীনগা ফূরকতৌ মানবা মীদাদদি ঙাইহাক হায়নফম থোকপা হায়নরগা মানা শৎ লাউনা তেথবনি। অদুগা তিন্নশিল্লগা খৎনবদি লায়রদনা থোক চান্নথোকপা ঙম্বা মীদা জাৎনি। মসিনি মাগী অঙকপা। নোংমা অমসু নহা য়ঙ য়ঙ লাওরকপা মতমদা মী অমগা মাগা মরৈ অমা তৌনৈ। মীদুদি থাঙ খুগ্রিগুম্বা অমা য়েপ্লম্বা জাৎনি। মাদি অহানবদা মীদু থাঙ য়েপ্লে হায়বা খঙবা নত্তে। অদুনা শঙ্গৎ শঙ্গৎতনা খোনসি খরা ৱাওরপ ঙাঙলুরগা মীদুনা মতিং শোক্লক্তনা য়েপ্লিবা থাঙদু শৎ লাউনা শৎতোক্লগা মঙোন্দা থিনগে তৌরকপদুদদি তাঙৌদু "ইমাইপেন্মা সিদি শিবা তারেদনা" হায়দনা অমুক্তং ফুরুপ থাদুনা চেনববু, নুপাদুসু ফনা ফজনা তান্নে। অনীমক লমজেল কনানা হেন্না য়াঙই হায়বা খঙনদে। অমনা তান্নে, অমনা চেল্লি। তুংগী নুপাদুনা মাগী খুগ্রিদু হাই হাইদুনা চেনগনু-চেনগনু হায়না লাউর-লাউর তান্নববু, তাঙৌদু খুম্বদি লায়রদনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্লগা নাকচেপননা য়েংলগা ময়াদা শ্বর চবুন চবুন হোল্লগা অমুক্তং হোৎপবু। মদুমুক য়াঙবা লমজেল অমুক্তা থেংনদ্রি হায়না উহৌবশিংনা কন্না হায়নৈ।

লাষ্টতদি তান্নরকপা নুপাদু খোংবান অমদা শোয়দনা তাশিনবদগী তাঙৌদু হিংহৌবনিবু হায়নখি। নৎলমদ্রদি মশাদু ঈ তারমগদবনি। অদুবু খোংবানদুনা মাবু কল্লহৌরে। অদুনা মদুগী মতুংদগীদি মী খৎনবগী থবকসি য়ারিখৈ য়াওদনবা হোৎনজরে। মমাঙঙৈ য়াওশঙ লেক্লরম্বা হায়দনা তৌনরম্বা মতমদুসু মতমদুগী খুন্নাইগী মশকসি অঙকপনি। মতমদুদা য়াওশঙ লেকপা হায়না লেক্লিকসি হুরানবা ত্রেনিং চৎপগা চপ মান্নে। অহিং লেকপনি হায়দনা লেক্লিবা নহাশিংদুনা মীনা তূম্ন-হিপ্নখ্রবা মতমদা কনাগী মীগী ইঙ্খোলদা চঙ চঙদনা, আলু হোৎপা, কোবি থেকপা, হৱাই থরাক মনবা, নুংতিগী হুরান্দবা পোৎ য়াওপোত্তে। হুরাল্লিবা পোৎতুনা নোং ঙাল্লগা শাক চানদৌরিনি। মদুদৈ হেন্দোক্তুনা য়ূমপোৎ তানবা হায়দনা, হুরাল্লকপশিংদু য়োল্লগা শেল তানবসু য়াওরিবনি। য়াওশঙগী মীংদা, কনাগী চরূ ইকু, ঈগৈদগী ঈ হুরাল্লগা য়োল্লি। মীগী ৱাপন্দগী ৱা ফজ-ফজবা খন খন্দনা লেল্লগা পুখ্রিদা তিংশিল্লগা য়োল্লিবনি। অঙকপা ত্রেনিং মখল অমনি। মদুগী মতমদসু, তাঙৌ হোইগী পার্টিসি অঙকপা হুরানবগী থবকসি চত্থরকপনি। কোবি শাক কন্না চান্নরিঙৈদা, কোবি মপুনা লাক্লগা "নোইগী কোবিসি কাইদৈনো?" হায়না হংলবদা, ময়ামদুনা ইক-আক তৌদুনা খুম্ফম খঙদ্রিঙৈদা, তাঙৌনা ঙসাই বজারদগী লৈবনি হায়না থোক ঙম্নবা খুম্মী। মদুগী খৎনবনা কোঙ্গাই অমনি। অদু মানা অদুম ঙম্মী। অশেংবা মপুদু অরানবা তারগা হুরানবশিংনা থোংলিবা কোবি শাক্তু থুম নম্ব্রা য়েংহন্দুনা টেষ্ট তৌহল্লগা থাখ্রিবনি। ঙমখ্রবা তাঙৌনি।

হৌজিক্তি তাঙৌ য়াম্না ঈং তপ্পা হায়দু ওইরে। অদুবু মাগী মহৌশাগী নুংশিৎতু হেক হেক লাকপা মতমদদি অহলনেদনি ঙাঙনবা য়াবা নত্তে। নূঙ অতেকপা শন্বগা চপ মান্নে। মাই মথোং চাদবদুনা মাগী মীনি হায়বসি মাগী ইমুং মনুংদফাও কয়া লৈতে। শুংলৈবু লৈতে হায় তাইয়ে। মাসু মানা থোকপা ঙম্নবা পংপান পাল্লি। নুংঙাইবা নুংঙাইতবনা অমনি। মাসু য়ূমদি পাল্লি।

"লৈবাকমচাশা কান্নরোই, হৌজিক মতমদা মী ওইগে হায়রদি মীগী মমীৎতু কোৎথোক্লগা নশাদা পানশিনবা ঙমদ্রবা, কৈমতা কান্নররোইদবনি" তাঙৌনা লৈপুং ফম্বদা হায়রিবনি। ময়ামদু মাগী ৱাদু ৱা ৱা নোক্তুনা অদুম তাই। মদুদা তাঙৌদু নহানৱাইগী নুংশিৎতু কাঙলকপরা কৈনো ৱারী অনৌবা অমা লিথরকপগী ৱানিসে।

"হৌজিক্তি মীগী শেলসি পংপুদা পুশিনবা, য়ারিখৈ শেলসি মী মখল শুনা পুগদবনি। য়াম য়ামদবা নঙ নঙগী কেপাসিটিদা পংপুদা পু হায়সিনি। নঙগী মী ৱাৎলরোইদবনি"

"কমাইনা?"

"মরম লৈদনা হায়রিবনিনে"

"অদুবু মরমদুবু কৈনোবা?"

"মরম হায়বু, ঐগীনি হায়বসি শাগৈ নাতৈদসু অদু মঙাই, লুপা চামদা পুগে হায়বদা কনামত্তা হৱাও হৱাও পীদে। ঐনা অৱাবা অমা তারে হায়বা মতমদা ইচিন ইনাও ফাওবা মাই মাই নুপীগী য়াকা য়েংদুনা নোংমতা সিকি অমা মতেং পাংলবা নত্তে"

"অদুদৈ কৈদৌরবা?"

"অদুনা মোইসি ঐগী মীনি হায়না থারুবা য়াবা নত্তেবা"

"অদুদি থৌদোক অমা থোকপদা তাঙৌদি য়াম ৱা তারেবো"

"কাইদৈনোদা, ঐগী থৌদোক অমা থোকপদা মী শুংৱাৎ ৱাত্তে"

"কমাইনা?"

"শেল পু হায়সিনি"

"অশ! নাতৈ চাদবা ৱা ঙাক্তা তাঙৌসিমা"

"হাই অপংশা ঐনা হায়সি লাইৱানিনে, লাইৱা হায়সি, লায়না লৈ হায়দনা লাইৱা কৌই হায়না লৈখিদ্রবা ঐগী ইপল অমনা তাক্লম্বনিনে, কান্নদে নঙগী মী লৈহনগে হায় তারদি শেল পুরো হায়সিদা লৈরে"

"মীগী শেল তোল্লগা কমাইনা... তাঙৌ নাতৈ চাদেদা"

"চাইনে, য়েংঙু ঐনা পুরিবা শেলসি মচিৎ মচিৎ য়ামখ্রজাৎনি। হৌজিকসি চাওরাক্লা মী ৫০ মুক্তগী ঐ শেল পুরিবনি। পুনীংদনা পুবা নত্তে। ঐগী মী ৱাৎতনবা হায়দনা পুরিবনি। মোইনগদি ঐসে লৈত-লায়রদনা পুবগা মাল্লমগনি, অদু নত্তে ঐনা পুরিবা শেলসিদি"

"অদুদি করিগী?"

"ইহে! হন্দক ঐ গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তনা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা টাটা মেজিক অমনা ঐগী লুনাদুগা কৈগা পুল্লপ চেল্লিদনা। ঐসি শিরে হায়দনা ময়াম ৱা ৱা লাউনরবনিদনা। অদু ঐ শিদে। ঐনি হায়বা খঙবদগী, মোই মোইগী শেল তোনবা মী অহুম্মুক্লা থেংনবদগী খুদক্তা ঐসি হোস্পিটালদা পুখৎপীদনা কন্না হোৎনবীখ্রজাইনি। ঐনা শিখ্রদি মোইগী তোল্লিবা শেলদু শিংলরোই হায়দনা ঐ শিহনবা য়াদে হায়দনা মশাগী মরন্নাই শেলগা পুথোক্তনা হোৎনরিবনি। য়ূমগী মীফাও কনাম লাকপা নত্তে। মোই ময়াম্না হোৎনবীদনা ঐ হিংলকইবনি। অদুদি য়েংঙোদনা ঐগী মী ৱাৎপ্রা?"

ময়ামদু ৱা লাউনা নোকই। অদুবু তাঙৌগী ৱারীদুদা অচুম্বদি য়াওরি। ময়ামদু ফনা কুইনা নীংশিং নীংশিংদনা নোকপদা লোইবজাৎনি। তাঙৌদি থৌ ৱা ইশা শাদখৈ, নোইগী মী ৱাৎহল্লোই হায়রদিনে, শেল পুকো হায়রম্মগা অদুম হৌগৎলগা চৎখ্রে। ময়ামদুদি নোকহৌরি।

*-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*